# ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস এস সি পোরোম্পাৎ অমদি নেসু খুরাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা শান্নবা হৌখিবা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব ( এস এস সি) পোরোম্পাৎ অমদি নোঠ ইষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু ) খুরাইনা মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব ( এস এস সি) পোরোম্পাৎ অমদি য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাওনা শান্নখিবা মেটচতা এস এস সিনা য়ু পি এস এবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এস এস সি পোরোম্পাৎনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা য়ু পি এস এ পুখাওবু লাকশিন্না শান্নদুনদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথ্তুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু য়ু পি এস এ পুখাওনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা এস এস সি পোরোম্পাৎকী জর্সি নম্বর ৮ অসিফনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং পোরোম্পাৎনা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্লবা হোৎন্দুনা চাঙ নায়না তকশিন্দুনা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৬ কান্নরগা ৩৪ চৎপদা পোরোম্পাৎকী জর্সি নম্বর ১৮ সঞ্জিৎনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।



মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা য়ু পি এস এ পুখাওনা শোখ্রিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা এটেক চথ্খ্রবসু এস এস সি পোরোম্পাৎকী দিফেন্স লানথোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা য়ু পি এস এ পুখাওগী জর্সি নম্বর ৬ দব্লিউ প্রেমচান্দনা মেটচকী মিনট ৬১ অমসুং ৬৪ দা দবলস কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোকহনখি। অদুগা এস এস সি পোরোম্পাৎকী জর্সি নম্বর ৪ সহিট অলিদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই ইঙোবী, এন ইবুংঙো, ৱাই দেবচান্দ অমদি এল রোপেন্দ্রনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী ৩৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা নোর্দন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গানাইজেসন ( এন আই ভি এস ও) কৈবী অমদি নোঠ ইষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু ) খুরাইনা শান্নখিবা মেটচতা নেসুনা এন আই ভি এস ও বু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী নাকল অনীমক্না খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকপনা অঙনবা মিনটশিং দা তঞ্জা কয়া ফঙনখি। অদুবু মেটচকী পুঙ্খায় ফারকপদা নেসু খুরাইগী জর্সি নম্বর ১০ এস তোপ্পরনা এন আই ভি এস ওগী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

এন আই ভি এস ওনা শেখ্রিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু নেসু খুরাইগী শান্নরোইশিংনা কন্টেস অসিদা লৈনবা হোৎন্দুনা মশক থোকপা পফ্রোমেন্স পীখিবদগী মেটচকী অরোয়বা মীকুপ ফাওবদা খোঙফম চেৎনা লেপখিবনা তোপ্পরগী গোলনা এন আই ভি এস ওদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা নেসু খুরাইগী জর্সি নম্বর ৯ এম সোমোকান্তদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি প্রেমজিৎ, ৱাই হেমন্ত, এন অমরজিৎ অমদি ৱাই ইঙোবীনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা এঠলেটিক ব্লাদরস এসোসিয়েসন ( এ বি এ) খেক্কিগাও অমদি চনুংশিন্থা ক্লব ( সি এস সি) অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি অদুগা নুংতিল পুং ৩ তাবদা অঙথা এফ সি অমদি ইষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খেনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# ষ্টেট এজ গ্রুপ এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ হৌখ্রে, কে এন এস এ এনা মেদল টেল্লিদা মাঙজিল থারি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী য়ুনিট ২৫ দগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী পূন্না শান্নরোই ৫০০না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ৩৯ শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে, কে এন এস এ এনা গোল্ড ১১, সিলভর ৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ ফঙদুনা মেদল টেল্লিদা মাঙজিল চৎলি।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা য়ু-১৮ বোইজকী ১০০ মিটরদা প্রেমজিৎনা অহানবা, এম ডি ইদিসনা অনীশুবা অমদি কে ঐচ সুনিলনা অহুমশুবা তাখি। য়ু-২০ বোইজ ৮০০ মিটরদা এম দি দসাদিকনা অহানবা, ইকাম সিংহনা অনীশুবা অমদি এম জয়না অহুমশুবা তাখি। মেন ৮০০ মিটরদা এন কোনুংজাউনা অহানবা, অকসেনা অনীশুবা অমদি মুসতফানা অহুমশুবা তাখি।

য়ু-১৬ গার্লস ৮০০ মিটরদা ঐচ ভুমেশ্বরিনা অহানবা তাখি। য়ু-১৮ গার্লসতা এল অঞ্জলিনা অহানবা, অজিমনা অনীশুবা অমদি রবিয়ানা অহুমশুবা তাখি। য়ু-১৪ গার্লস ৬০০ মিটরদা নিজিলতানা অহানবা, তোন্নিনা অনীশুবা অমদি ঐচ ভুমিকানা অহুমশুবা তাখি।

য়ু-১৮ বোইজ সোট পুটতা এম ডি ফরাস খাননা অহানবা, কে ইবোসনানা অনীশুবা অমদি এম হি সাহিটনা অহুমশুবা তাখি। য়ু-২০ বোইজতা সরুখাননা অহানবা, সন্তোসনা অনীশুবা অমদি ভগতনা অহুমশুবা তাখি। মেনগীদনা অয়ান মুখোপান্দেনা অহানবা, ঐচ নোরেননা অনীশুবা অমদি টি ননাওনা অহুমশুবা তাখি।

ৱুমেন ২০০ মিটরদা এ সুরবলানা অহানবা তাখি। য়ু-১৬ বোইজ ২০০ মিটরদা এম ডি অমিরখাননা অহানবা, মঞ্জু হুসেননা অনীশুবা তাখি।

য়ু-২৮ বোইজ ২০০ মিটরদা শিধু বুসাননা অহানবা, রমাভাট হরিলানা অনীশুবা তাখি। য়ু-২০ বোইজ ২০০ মিটরগীদনা সি ঐচ চিঙ্খেঙানবনা অহানবা, ও সনাজাউবানা অনীশুবা তাখি।

মেন ২০০ মিটরদা এম অলকেননা অহানবা, লেনথাংনা অনীশুবা অমদি কুমার য়াদবনা অহুমশুবা তাখি। য়ু-১৬ বোইজ ৮০০ মিটরদা আর কে দয়ানন্দনা অহানবা, এম দি রাকিটদা অনীশুবা অমদি এম ডি অবদুল রাজাকনা অহুমশুবা তাখি।

মেন ১০,০০০ মিটর রেসদা কে ঐচ রোমাজিৎনা অহানবা , এস ঐচ রোমেসনা অনীশুবা তাখি। য়ু-২০ বোইজকীদনা এম ডি সহিদুর রাহমননা অহানবা, কে এস ঐচ হেরোজিৎনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৬ বোইজ দিসক্সতা টি ঐচ জোন্সননা অহানবা, পি শ্রীনিবাসনা অনীশুবা। য়ু-১৮ বোইজকীদা এম ডি ফরুস খাননা অহানবা, এম ডি সহিদ অহামদনা অনীশুবা। তাখি।

য়ু-২০ বোইজগীদনা ঐচ অরুনকুমারনা অহানবা, এম ডি সরুখাননা অনীশুবা তাখি। মেনগীদনা টি ননাওনা অহানবা, এম সান্তনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৮ গার্লস দিসক্সতা টি ঐচ সনামচানা অহানবা তাখি। য়ু-২০ গার্লসকীদা এন জিবোলতা চনুনা অহানবা অমদি এ মহেরনা অনীশুবা তাখি। ৱুমেনকীদা এন ইচনতোম্বীনা অহানবা, লুখু মোনিনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৬ গার্লস ২০০ মিটরদা এল কৃষ্ণকুমারিনা অহানবা, চনচন রানিনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৮ গার্লসকীদনা য়াইসনা লোইতোংবমনা অহানবা, দব্লিউ জুনিতানা অনীশুবা তাখি। য়ু-২০ গার্লসকীদা পথাকনা অহানবা, সোফিয়া য়সমিননা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৪ বোইজ ৬০০ মিটরদা কে ঐচ রেনিদিনা অহানবা, ৱাই লুহেনবানা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৪ গার্লস সোট পুটতা লৈশেম্বীনা অহানবা, তোম্বনা অনীশুবা তাখি। য়ু-২০ গার্লসতা জিবোলতানা অহানবা অমদি শমুশানা অনীশুবা তাখি।

ৱুমেনদা এল ইচন তোম্বীনা অহানবা, এম অরুনদটিনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৪ বোইজতা মলেমঙানবনা অহানবা, তেজকরনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৬ বোইজতা জোন্সননা অহানবা , টি ঐচ জে ন্সননা অনীশুবা তাখি।

# এম এরিনানা সব-জুনিয়র গালর্সকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগী নোংমৈবুং মল্টিপ্রপস কম্মুনিটি হোলদা পূন্না শান্নরোই ১৫২না শরুক য়াদুনা চথ্রিবা ২৮ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী সব-জুনিয়র গালর্সকী ৱিন্নর এম এরিনানা ওইখ্রে।



কাঙলূপ অসিগী শান্নখিবা ফাইনেলদা এম এরিনানা মমাতা তৌরাংবমবু ২১-১,২১-৪ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসননা এম মন্দাকিনি অমসুং দাইনা লৈতাংথেমনা মরিশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী ফাইনেলদা এস ঐচ সুরেসনা এম গৌরোবাবু ১০-১৮, ১৯-০, ১৪-৭ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা অহুমশুবা অমদি মরিশুবানা এম জোনকেরি, এম মুক্তানা তাখি।

জুনিয়র বোইজকী ফাইনেলদা এম সদানন্দনা কে এস ঐচ বোইনাওবু ১৮-০, ২০-৬ তা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা অহুমশুবা অমদি মরিশুবানা হিরট্রিক অমদি গোরোবনা তাখি।

জুনিয়র গালর্সকী ফাইনেলদা এম সন্ধিয়ারানিনা এস জিতেশ্বরিবু ২০-২, ২০-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবনা সরদা অমদি মমতানা তাখি।

টিমগীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট (এ)না থৌবালবু পোইন্ট ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ভেটেরানগী কাঙলূপ্তা এম ডি অব্দুল কলামনা এস বিমোলজিৎবু, এন ব্রোজেননা এন সনামতুমবু, এল কেশোনা কে এস খোইবীবু অমসুং কে কুমারনা টি ঐচ যুগিন্দ্রাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

# ইকুয়্ষ্ট্রিয়ান ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শগোল ৬ পীরক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ ইকুয়্ষ্ট্রিয়ান ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ( ই এফ আই)না ইকুয়্ষ্ট্রিয়ান মশান্না অসিবু ষ্টেট অসিদা হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক ট্রেন তৌরবা ইন্দিয়ান আর্মিগী শাগোল ৬ মণিপুর ইকুয়্ষ্ট্রিয়ান এসোসিয়েসন ( এম ই এ)দা পীরক্লগনি হায়না এম ই এগী ভাইস প্রসিদেন্ট তোম্বী রাজনা ফোঙদোকখ্রে।

পোলো গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবা পাউমিশিংগা উন্নবা অমদা তোম্বী রাজনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ২৮ দা ন্যু দিল্লিগী মানেকসো সেন্টর অশোক ওডিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ই এফ আইগী ৫৮ শুবা এন্যুএল জোনেল বোডিদা শরুক য়াখিবা ষ্টেট এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম রঞ্জিৎনা মশান্না অসিদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংগী মরমদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফেদরেসনদা মশান্না অসিগীদমক টেক্নিকেল সপোর্ট অমসুং শগোলগীদমক মতেং পাঙবীন্নবা হায়জরুবদা ফেদরেসননা ষ্টেট অসিদা মাশান্না অসি হেন্না চাউখৎন্নবগীদমক ইন্দিয়া আর্মিগী ট্রেন তৌরবা শগোল ৬ অসি পীরগনি হায়বগী তাজবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা উট্টর প্রদেশকী শরানপুর আর ভি সি কোলেজতা লৈরিবা আর্মিগী শাগোলশিং অসি ষ্টেট এসোসিয়েসন অসিগী মীওইশিংনা চৎতুনা অম্বা শগোল খল্লুগনি।

লোয়ননা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা শগোলশিং অসি কনবদা অচৌবা মতেং পাঙগদবা ফেদরেসননা মাইক্রো চিপ ৫০ অমসুং মাইক্রোচিপ রিদর ১ শগোলশিংগীদমক দি এন এ খঙদোক্লবা শীন্নরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ দিলিপ অমসুং মণিপুর ইকুয়্ষ্ট্রিয়ান এসোসিয়েসনগী এডভাইজর সি ঐচ চোরজিৎসু শরুক য়াখি।

# এরোস্মিটনা রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ শলাই চেছ একাদেমি উরিপোক্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৯ দগী নুপী ১০ অমদি নুপামচা ১৯ পূন্না শান্নরোই ২৯না শরুক য়াদুনা চহী অমা চুপ্পা থা খুদিংগী চথ্গদবা অহানবা অন্দর ১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মানা ওইখ্রে।




এরোস্মিট শর্ম্মনা পোইন্ট ৬ ফঙদুনা অহানবা, খেক্কিময়ুম এমসননা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা অনীশুবা, জালেস থৌদামনা পোইন্ট ৪ মখায়দা বুজহোল ২৬ ফঙদুনা অহুমশুবা অদুগা নুংশিতোই ঙাইরাংবমনা পোইন্ট ৪ মখায়দা বুজহোলদা পোইন্ট ২৪ মখায় ফঙদুনা মরিশুবা তাখি।

দয়ানন্দ থৌদামনা মঙাশুবা, এলিস লাইময়ুমনা তরুকশুবা, মাইবম য়োহেনবা খুমননা ৭ শুবা, লাইশ্রম নেলসননা ৮ শুবা, নাদিয়া শৌগ্রাইজমনা ৯ শুবা অমদি লাইশ্রম টিদিসন মৈতৈনা ১০ শুবা, হরে রামনা ১১ শুবা, লেম্বা শৌগ্রাইজমনা ১২ শুবা, খুমন এনষ্টাইলনা ১৩ শুবা, সিদনিনা ১৪ শুবা অমসি ঙানবনা ১৫ শুবা তাখি।

বোইজ অন্দর ১০ গী কাঙলূপ্তা দয়ানন্দ থৌদামনা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা অহানবা অমসুং লাইশ্রম টিদিসন মৈতৈনা পোইন্ট ৩ ফঙদুনা অনীশুবা তাখি। গার্লসকীদনা নাদিয়া শৌগ্রাইজমনা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা অহানবা অমসুং লনজিনিকা চনুনা পোইন্ট ৩ ফঙদুনা অনীশুবা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এরোস্মিটনা লুপা লিশিং ১৫০০ গা লোয়ননা ট্রোফি, অনীশুবা তাখিবা এমসননা লুপা লিশিং ১ গা লোয়ননা ট্রোফি অমসুং অহুমশুবা তাখিবা জালেস থৌদামনা লুপা ৫০০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা শলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চিয়ারমেন্ট এ দিপামান, শলাইগী বি ও দি এম সোতো অমদি টি টিকেন্দ্রনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুরনা গোল্ড ৭ য়াওনা পূন্না মেদল ১১ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ দিল্লিগী গ্রেটর নোইদাদা থা অসিগগী ২৮ দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেস্নেল মিক্স মার্সিয়েল আর্টসতা ( এম এম এ) চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৭, সিলভর মেদল ৪ পূন্না মেদল ১১ লৌখ্রে।

মণিপুরগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি সব-জুনিয়র গালর্সকী কেজি ৩৫ তা শগোলশেম রোশিবিনা, কেজি ৫০দা কোন্থৌজম নেন্সি, সব-জুনিয়র বোইজগী কেজি ৪৫ তা এম ডি সহিদ অসিফ, কেজি ৫০ দা এম ডি মুসতাক, কেজি ৫৫ তা চিঙাখম রাজেস, কেজি ৭০দা কোন্থৌজম বিকাস। জুনিয়র বোইজ কেজি ৬০ দা শগোলশেম রামেসশ্বরনা গোল্ড মেদলশিং অদু লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৬০ দা হিজম মোচা, জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫৫তা চিঙাখম বুধচন্দ্র, অমদি সেনিয়র ৱুমেনগী কেজি ৫০ দা কোন্থৌজম বিরোহিনিনা মেদলশিং অদু লৌখিবনি।

ষ্টেটকী টিম অসি সি ঐচ প্রেমচন্দ্র সিংহনা কোচ কম মেনেজর ওইনা লুচিঙখিবনি।



# টেকা (এ) কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী পীশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরৈমা শঙলেনদা চথ্রিবা ৬৪ শুবা সার চড়চান্দ সিংহ ( কে সি এস আই- সি বি ই ) নীংশিং লীগ কম নোক অউট কাঙ টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টেকা (এ) পীশুম কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টেকা (এ) পীশুম কাঙখূৎনা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎপু পাঞ্জল ৩৬-১৮ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা টেকা (এ) পীশুম কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ২০ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৬ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা টেকা (এ)গী কাঙলোইশিং অদুদি- ঐচ দিলুদট্টা শর্ম্মা, এম দিলিপ শর্ম্মা, টি ঐচ ইবোচৌ সিংহ, এন উমান্দা সিংহ, কুবেন সিংহ, তোম্বা সিংহ, ইবোচৌ সিংহ অমদি অমু সিংহনি। মেটচ অসি পি ঐচ চুড়ামনি সিংহনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

# কে বি বিগী প্রিয়াঙ্করনা টাইতল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডর এসোসিয়েসন ( এম এ বি বি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোডি বিল্ডিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৯ দা তাকয়েল কোলোম লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা ৮ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেনিয়রগী কাঙলূপ্তা কে বি বি জিম তেরাগী শোরাইশম প্রিয়াঙ্করনা অহানবা , ষ্টার জিমগী অকোইজম রতনকুমারনা অনীশুবা অমসুং লাইফ ষ্টাইল ফিটনেসকী মাইবম রোনাওনা অহুমশুবা তাখ্রে।

জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা এন এফ সিগী সনাজাউবা নোংমৈকাপমনা অহানবা অমসুং ষ্টার জিমগী পোৎশঙবম চন্দ্রকান্ত সিংহনা অনীশুবা তাখি।

মেন'স ফিজিক্সতা পেট্রোইদ জিমগী মারিংমৈ কেশোরজিৎনা অহানবা অমসুং পি এফ সি পোরোম্পাৎকী টি মলেমঙানবা মৈতৈনা অনীশুবা তাখি।

মাষ্টরগী কাঙলূপ্তা ষ্টার জিমগী তাখেলম্বম দুসান্তনা অহানবা অমসুং শলাই বোডি স্কপচরগী খাইদেম ৱাশিংতন সিংহনা অনীশুবা তাখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা হয়েংদগী খুমন লম্পাক ওডিটোরিয়ম হোলদা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ হৌরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ রঞ্জিৎ, দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট ৱাই বোনি অমদি রিটিয়দ চিফ ইঞ্জিনিয়র এম লোকেননা মথংশীৎনা প্রসিদেন্ট , চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

# ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চাওয়াইমা হয়ার সেকেন্দরী প্লে গ্রাউন্দা দি এফ এ থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ঐচ য়ু হৈরোক অমদি দি য়ু সি চরাংপাৎনা শান্নকিবা মেটচতা দি য়ু সিনা ঐচ য়ুবু য়াম লাকচন্না গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা দি য়ু সি চরাংপাৎকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচ বরলিনা মিনট ২, জর্সি নম্বর ২৫ এম জোলিনা মিনট ১২, ৫৬, ৬৭ অমদি জর্সি নম্বর ১২ এ কে রঞ্জনা মিনট ২১ চৎপদা চনখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা এস ৱাই ও তেকচম অমদি পি এ এল ৱাই সি ফুন্দ্রেনা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ৱাই দি সি খোইরোম অমদি ই এল ৱাই এস এ ফৌদেলনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# শুগনু এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথ্রিবা এস ঐচ রাকেস নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এম এস দব্লিউ সি অমদি পি এস ৱাই সি দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা শুগনু এফ সি মায় পাকখ্রে।

লীগকী ৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা কে এম এস দব্লিউ সি কৈরক অমদি পি এস ৱাই সি ফুনাল গোল ৪-৪ দা দ্রো চৎখ্রে। কৈরককী গোলশিং অদু অরাফ খাদননা ১ অমসুং এম ডি সমিরনা ৩ চনখি। ফুনালগী গোলশিং অদুনা এমসন, মেসেনজর, এঞ্জিলুইজ অমদি মোরেননা চনখি।

১০ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা শুগনু এফ সিনা কে টি সি ককচিংবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি। শুগনু এফ সিগী গোলশিং অদু গাঙতে অমসুং পি জ পাননা গোল অমমম অদুগা শরাংনা গোল ২ চনখি।

# এল কে সি সিনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ লংথবাল খৌপুম কলচরেল ক্লব ( এল কে সি সি) না শীন্দুনা লংথবাল খৌপুমগী প্লে গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৫ দগী টিম ১৮ না নোক আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল জিলেজ ওপন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর এল কে সি সি (সি) লঙথাবাল খৌপুমনা ওইখ্রে।

ফাইনেলদা এল কে সি সি (সি) লংথবাল খৌপুমনা আর ৱাই সি নরাকোঞ্জিন মমাঙ লৈকাইবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এল কে সি সি (সি) লংথবাল খৌপুমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ২৩ জি অখামনা চনখি। এল কে সি সি (সি) লংথবাল খৌপুমনা ৱিন্নরগী লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা আই ৱাই সিনা পবজিবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এল কে সি সিনা য়ু এফ সি মাইরেনখোং লৈকাইবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com